# অসামদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট তরুক হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে



গুৱাহাতি, মে ২৯ (এজেন্সি): অসামদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট ৬ তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। ৱাফম অসি ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা ফোঙদোকখিবনি।

পেসেন্ট ৬ দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী এক্তিভ কেস ৭৯৪ লৈরি। হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি, সেম্পলশিং অনীরক হন্না টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী পেসেন্ট ৬ দিসচার্জ তৌখিবনি।

অমরোমদা, খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী অনৌবা কেস ৩০ রিপোর্ট তৌরকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৯১০ শুরে। এক্তিভ কেসনা ৭৯৪ নি। নৌনা থেংনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা গোলাঘাটতগী ১৬, করিমগঞ্জদগী ৬, লক্ষিম্পুরদগী ২, কছারদগী ২, হায়লাকান্দিদগী ২ অমসুং কর্বি অংলোংদগী ২ য়াওরি।

চৈরকসিদা, অৰাং-নোংপোক লমদমগী অহানবা কোভিদ-১৯ গী সুপর স্পেসলিটি হোস্পিটাল অমা গুৱাহাতিদা ঙসি শঙ্গাখ্রে। গুৱাহাতি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী মনাক্তা লৈবা সুপর স্পেসলিটি হোস্পিটাল অদু হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সরমা অমসুং মহাক্কী দেপ্যুটি পিজুস হজারিকানা শঙ্গাখি।

লুপা ক্রোর ১৫০ চঙনা শাখিবা হোস্পিটাল শঙ্গাবগী থৌরমদা হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি, কেনাদাদগী চেনবা যু ভি রেদিএসন ইক্বিপমেন্ট ইন্সটোল তৌরে। ফমুং ২০০ থাবগা লোয়ননা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) ৬০ লৈরে।

চৈরকসিদা, মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অশোয়-অঙাম য়াওদনা হল্লকপা য়ানবা অখন্নবা ট্রেনশিং থৌরাং তৌবিয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেল (য়ু পি পি এল)না রেলৱে মিনিষ্ট্রিদা হায়জখ্রে। পার্টিগী প্রসিদেন্ট প্রমোদ বোরো অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি কমল অজাদনা হায়খি, ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা বোরোলেন্দ টেরিটোরিয়ল রিজনগী মীওইশিং অশোয়-অঙাম য়াওদনা হল্লকপা য়ানবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## মাস্ক উপ্তবা কন্সটেবল ৩ সস্পেন্দ তৌখ্রে

অগরতালা, মে ২৯ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা মাস্ক উপ্তুনা মথৌ তৌখিবা ট্রাফিক পুলিসকী কন্সটেবল ৩ সস্পেন্দ তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা চৎলমদবা মরম্না পুলিস পর্সনেল অহুম খুদক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপা ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা মতৌ অসুম্না মাস্ক উপ্তবা পুলিস পর্সনেল সস্পেন্দ তৌবগী থৌদোক ত্রিপুরাদা ইহান হান্না থোকখি। মথৌ পাঙথোক্লিবা ট্রাফিক পুলিসকী পর্সনেল পুম্নমক তঙাইফদনা মাস্ক উপকদবনি হায়না মমাংদা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্কী ওফিসল পুম্নমক্কসু ওফিস কারকপা মতমদা মাস্ক উপকদবনি হায়না খঙহনবা লৈখ্রে। কনাগুম্বনা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল থুগায়দুনা মাস্ক উপত্রবদি মীওই অদুগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

## নাগালেন্দগী অপুনবা কেস ২৫ শুরে

দিমাপুর, মে ২৯ (এজেন্সি): মীওই ৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা নাগালেন্দগী অপুনবা কেস মশিং ২৫ শুরে।

ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর এস পি ফোমনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অনৌবা কেস মঙা অদুগী মনুংদা দিমাপুরদগী কেস ১ অমসুং কোহিমাদগী ৪ য়াওরি। মীওইশিং অদু হন্দক্তা চেন্নাইদগী হল্লকখিবনি। ঙরাংসু মপান্দগী হল্লকখিবা মীওই ৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি।

চৈরকসিদা, কনফিদরেসন ওফ চাং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা সির্ভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা টুয়েন্সাংদা বি এস এল-৩ লেবোরেটরি হাংদোকপিনবা তকশিল্লদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এস পি ফোম লাক্কদবা লন্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনখি। টুয়েন্সাং দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা মরু ওইবা মীফম অমদা শরুক য়ানবগীদমক হেল্থ মিনিষ্টর য়াওনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লাকখি।

মীফম অদুদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন, অতৈ সির্ভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, চর্চ এসোসিএসনশিং অমদি রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

# মিজোরামদা মীওই ২,৫৯৯ ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্লি



আইজোল, মে ২৯ (এজেন্সি): হন্দক্তা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী হল্লকখিবা মীওই ২,৫৯৯ মিজোরামগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্লি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ১,৯৬৫ না ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন ফেসিলিটিশিংদা থম্লগা অতোপ্পা মীওই ৪৫৫ না কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্বনি। মীওই ৭ হোটেলশিংদা থম্লি অমসুং মীওই ১৮২ না হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্লি। ষ্টেট লৈঙাক্লা চর্চশিংগা লোয়ননা মপান্দগী হল্লকপা মীওই ১৪,৩৫৮ থম্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মফমদা ক্বারন্টিন সেন্টর ৫৪৩ হাংদোক্লে। লোকেল চর্চ ১৬৯গী হোলশিং ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা শীজিন্ননবা অয়াবা পীরকখি।

ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টরগী অৰাৎপা লৈবা মরম্না কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা চৎনকগদবা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) অমা ষ্টেট লৈঙাক্লা ফোঙলে।

এস ও পি অদুগী মতুং ইন্না কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা শীজিন্নরিবা চর্চকী হোল, স্কুল বিল্ডিং অমদি ৱাই এম এগী হোলশিং ভিলেজ লেভেল টাস্ক ফোর্সনা ঙাক শেনগনি।

মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিং নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্লগা লাইওং উখোরক্তবা মীওই পুম্নমক ময়ুম-ময়ুমদা হনখিনবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

ষ্টেট অসিদা ক্বারন্টিন সেন্টর মশিং য়ামদবা মরম্না মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিং টেষ্ট তৌরগা লাইওং উখোরক্তবা মীওই পুম্নমক হোম ক্বারন্টিন তৌহল্লগনি হায়না মমাংদা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। কনাগুম্বনা হোম ক্বারন্টিনগী খুদোংচাবা লৌগে হায়রবদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সতা এপ্লিকেসন পীশিনগদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি লালনুনমাৱিয়া চুৱাঙ্গোনা হায়খি মদুদি, মতিক চাবা ক্বারন্টিন সেন্টর লৈতবা মরম্না কনাগুম্বা মীওই খরা হোম ক্বারন্টিন তৌনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা পীবা কাঙলোনশিং ঙাকপা তঙাই ফদে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক কম্যুনিটি হোল ১৭০ য়াওনা ক্বারন্টিন সেন্টর ৫০০ হেন্না হাংদোক্লে। অদুবু মপান্দগী চঙলক্কদবা মীওই ২০,০০০ লোম সেন্টরশিং অসিদা থম্বা চল্লোইদবা মরম্না মীওই খরা হোম ক্বারন্টিন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

ষ্টেটকী পাউ

# মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগা নক্না লৈবা মোলচাম পি এসকী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): ৱাটর রিছোর্সেস অমসুং য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিনখ্রে।



খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ভিলেজ চীফশিং উনখি অমসুং মফম অদুদা পায়খৎপা পি এম জি এস ৱাইগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখি। ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা মোলচাম পুলিস ষ্টেসনগী ফীভমসু য়েংশিনখি। পুলিস ষ্টেসন অসি শাংলবা চহী ৩০ রোম মথৌ তৌদনা লৈরকখ্রবনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা থম্লিবা লোকদাউন মপূং ফাহন্নবগী পান্দমদা ইন্টরনেসনল বোর্দর অমদি গেট সিল তৌনবগীদমক হন্দক্তা নৌনা অমুক পুলিস ষ্টেসন অসি মথৌ তৌহনবা হৌখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ইন্টরনেসনল বোর্দরদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অসি নৌনা অমুক মথৌ তৌহল্লবনিনা বোর্দর সিল তৌবা অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি। কা-হেন্না মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসন অসিগী অৰাৎ-অপা পুম্নমক য়েংশিন্দুনা অথুবা মতমদা মেনখৎনবা হোৎনরগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা বোর্দর সিল তৌবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, এস দি ও অমসুং ভিলেজ চীফশিংনা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা বোর্দর গেটশিং সিল তৌদুনা লাক্লি। লুরবা তানফম অসিদা খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৰাবা পুম্নমক কোকহন্নবগী পান্দমদা চাংনাইনা মরুওইবা পোৎলম কয়া ফংহন্দুনা লাক্লি। চেঙ কেজি ১গী মমল লুপা ৩গী চাংদা য়ূমথোঙ খূদিংগী মীওই অমমম্দা চেঙ কেজি ৫/৫ বেনিফিসরিশিংদা ফংহন্দুনা লাকখ্রবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি মিনিষ্টর মশানা অচঙবা শেনফম পুম্নমক পুথোক্তুনা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকপগী থৌরাং লৌখৎলি। পীক্লিবা অঙাং য়াওনা এন এফ এস এগী কার্দ পায়দবা মীওইশিংদসু খূদোংচাবা অসি ফংহল্লি। মসিগীসু মথক্তা হৱাই, অচাথাউ অমদি সাপোননচিংবা মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা লাকখি।

মিনিষ্টরনা ইন্টরনেসনল বোর্দর পরিংদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেমগৎপা লন্বীগী ফীভমসু য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পি এম জি এস ৱাইগা মরী লৈনবা ওফিসলশিং অমদি থিকাদারসু লোয়নখি। ন্যু সোমটালদগী মোলচাম ফাওবা অমসুং ন্যু সোংজাংদগী টি নমপাও ফাওবা লন্বী নীংথিনা শেল্লম্বা উবদা মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মিনিষ্টরনা এস দি ও খেংজোই অমদি ভিলেজ চীফশিংগা লোয়ননা খাংবরোল খুঙ্গংদা চৎতুনা খুঞ্জাশিংদা চেঙ, হৱাই, অচাথাউ অমদি সাপোননচিংবা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। খাংবরোল অমদি দিংপি এরিয়াগী অকোয়বদা খুন্দারিবা খুঙ্গং ৬০ হেনবগী খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অদুনা ম্যান্মারগা লোন্নবা টি নমপাও খুলদা অহিংয়ারেক্লগা শগোলশেন নুমীৎকী অয়ূক্তা খুল অদুগী খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। মতুং তারকপদা মহাক্না মোলচাম অমদি ন্যু সোমটালগী খুঞ্জাশিংদসু পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

খুঞ্জাশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা ঙমখৈদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিং খূদোংথিবা মায়োক্লহল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা মরম্না মীওই খূদিংমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং লৈঙাক্লা পীবা অতৈ কাঙলোনশিং ঙাক্তুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা খুঞ্জাশিংদা ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা টি নমপাও অমদি মোলচাম খুলদা মিনিষ্টরনা সোলর লেম্প পোষ্ট কয়াসু ইন্সটোল তৌখি।

## অম্বাগী পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন মথং থাগী ২ দা এদজোর্ন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেটসিদা লৈরিবা এদভোকেট পুম্নমক্কী মায়কৈদগী ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা লোকদাউন মখা চখৎহল্লকপা অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গীদমক কর্ফ্যুগী অথিংবা থম্লিঙৈগী মনুংদা এদভোকেটশিংনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থিংদনবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এলগী মখা তাবা হিয়রিং মথং থাগী ২দা এদজোর্ন তৌখ্রে।

অম্বাগী পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অসিগী নম্বর-২০ ওফ ২০২০নি। মসিগী পিটিস্নরশিংনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলাচন্দ্র (৬৩) অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি ওক্রম ন্যুতনকুমার (৪০), অপোকপা ও কলা, শীংজমৈ ওক্রম লৈকাইনা জোইন্ট পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, সেনাপটি, উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর, তমেংলোং, চান্দেল, কাংপোকপী, তেংনৌপল, ফেরজোল, নোনে, কামজোং, জিরিবাম অমসুং ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনি।

পি আই এল অসি ঙসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

কোর্টনা মেটর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা কাউন্সেল থিংবাইজম মহিরা, হায় কোর্টবার এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা লেপখিবা মসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বী অমসুং ষ্টেট রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমগী সবমিসনশিং কোর্টনা তাখি।

লোয়ননা হৌজিক চথরক্লিবা লোকদাউনগী গাইদলাইনশিং অসি থা অসিগী ৩১দা লোইরগদবনা অনৌবা গাইদলাইন অমা লাক্লগদবনা মেট্টর অসি মথং থাগী ২ ফাওবদা এদজোর্ন তৌনবা প্রেয়র এদিসনেল এ জিনা তৌরকপদগী কোর্টনা অয়াবা পীদুনা নুমীৎ অসি ফাওবা মেট্টর অসিগী হিয়রিং এদজোর্ন তৌখি।

## কম্বাইন্দ ফোর্সনা অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর পুলিস কম্যান্দো অমদি ৫/১১ জি আরগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা ঙরাং অয়ূক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা বিষ্ণুপুরগী ফোরেষ্ট গেট মনাক্তগী পি এল এগী কাদরনি হায়বা মীওই অমা ফারে।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা মীওই অদুগী মমিং হিজম সুবোল এলিয়স পনম্বা (২৩) অপোকপা, লৈখিদ্রবা ভৈগা কৌই। মহাক অন্দ্রো খুমন ৱার্দ নম্বর টুদা লৈবনি হায়রি। কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং-পাউহংবা চখুনবগীদমক বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা অমুক খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা কেস অমসু লৌখৎখ্রে হায়রি।

## মীওই লাখ ১.৬৫ হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সি): হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দোমেষ্টিক ফ্লাইট সর্ভিস তৌবা হৌখ্রবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ২,১৯৮ দা মীওই লাখ ১.৯৫ হেন্না হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌখ্রে।

সির্ভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহপুরিনা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা এয়রপোর্ট পুম্নমক মহৌশাগুম মথৌ তৌবা হৌরে। হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটশিংদা তোংলকপা লাইওং উখোরক্ত্রিবা পেসেঞ্জর ১৬ থেংনবা ঙমখ্রে।

প্রাইভেট এয়রলাইন্সশিংগী ফ্লাইট ২,১৯৮ লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাইদুনা মহৌশাগুম মতৌগুম মথৌ পাঙথোকপা হৌরে। ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা প্রাইভেট এয়রলাইনশিংগী ফ্লাইট ২,১৯৮ সর্ভিস তৌখি। লোকদাউন তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা নুমিৎ খুদিংগী দোমেষ্টিক ফ্লাইট ৩,০০০ লোম পাইরম্বনি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবদগী থা অনীরোম লেপ্লুরবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী দোমেষ্টিক ফ্লাইট সর্ভিস তৌবা হৌখি। ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিসতি হৌজিকসু মখা তানা অথিংবা লৈরি।

দি জি সী এনা হায়খি মদুদি, ফেব্রুৱারি থাদা লোকদাউন তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা নুমিৎ খুদিংগী পেসেঞ্জর লাখ ৪.১২ দোমেষ্টিক ফ্লাইট তোংদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌখি। লোকদাউন তৌখিবদগী থা ২ রোম লেপ্লুরবা মতুংদা হন্দক্তা অমুক সর্ভিস তৌবা হৌরকখিবনি।

# পুলিস পর্সনেল ওইবা অহুম য়াওনা মচিল-মনাও মরি হায় কোর্টনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অমদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংদা পর্সনেল ওইরিবা মীওই ৩ য়াওনা মচিল-মনাও মরি এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীখ্রে।

হায় কোর্টনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রবশিং অদুদি অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এক্স-মিনিষ্টরগা নক্লনা থবক তৌমিন্নবা য়াইরিপোক নিংথৌনাই ময়াই লৈকাইদগী সোসল ৱর্কর এম দি য়ুনুস অহম্মদ (৪৬), অপোকপা এম দি অহম্মদ অলি, হৌজিক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা হবিল্ডার ওইনা পোষ্টিং লৈরিবা মনাওনুপা এম দি রাজাক (৩৮), ৭শুবা আই আর বিদা হবিল্ডার ওইরিবা এম দি সলিম অহম্মদ (৩৬) অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা কন্সটেবল ওইনা লৈরিবা এম দি নৱাস অলি (৩১)নি হায়রি।

চৎলিবা থা অসিগী ১০গী নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা অন্দ্রো পি এসকী মনুং চনবা মফম অমদা এক্স-মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং মহাক্কী রাইভেল কাঙবুগী মরক্তা থোকখিবা খৎন-চৈনবা থৌদোক অমগী মতাংদা রেজিয়া বেগম কৌবী নুপী অমনা ৱাকৎপদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অমদগী মখোয়বু এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা হায় কোর্টতা হায়জরকখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ৬ (৫) ২০২০ অন্দর সেক্সন- ৩২৫/ ৩৫৪/ ১২০-বি/ ৫০৬/ ৩৪ আই পি সীনি।

ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন অসিনা মখোয়গী মথক্তা কেস অসি লৌকৎপদগী মখোয়না সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা মিসেলিনস ক্রিমিনেল (এন্টিসিপেটরি বেল) নম্বর- ৩৩ থারক্তুনা বেল অসিগীদমক প্রেয়র তৌরকখ্রবনি। অদুবু থা অসিগী ১৮দা মখোয় মচিল-মনাওশিংগী বেল এপ্লিকেসন অদু দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌরকখিবদগী হায় কোর্টতা অমুক হন্না হায়জরকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মখোয়গী বেল হিয়রিংদা মখোয়গী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রোনা লেপ্লগা মহাক্কী জুনিয়র কাউন্সেল সয়েদ মুরতাজা অহম্মদনা মতেং পাংখি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্টনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রবা মচিল-মনাও মরিগী মায়কৈদগী থোকখিবা খৎন-চৈনবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাকৎপদগী রেজিয়া বেগম য়াওনা মীওই ৪গী মথক্তা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ২৮ (৫) ২০২০ অন্দর সেক্সন- ১৮৮/ ৪২৭/ ৪৩৮/ ৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপসু লৈরিবনি।

## CROSSWORD-3458



**ACROSS**

1 Encounter (4)
3 Attacked (8)
9 Tropical cyclone (7)
10 Likeness (5)
11 Aviator (5)
12 Shrewdness (6)
14 English university city (6)
16 Kidnapper's demand (6)
19 Dog-house (6)
21 Tall building (5)
24 Ceased (5)
25 Assorted (7)
26 Broad-brimmed Mexican hat (8)
27 Observed (4)

**DOWN**

1 Figure of speech (8)
2 Eject (5)
4 Light open-toed shoe (6)
5 Farewell (5)
6 Several (anag.) (7)
7 Profound (4)
8 Physician (6)
13 Put in jail (8)
15 Liberty (7)
17 Dress (6)
18 Ingenious (6)
20 Lowest point (5)
22 Entire (5)
23 Supreme god of ancient Greece (4)

**Solution 3457**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | I | A | L | E | C | T | | M | A | C | A | W |
| E | | E | | X | | U | | A | | O | | H |
| M | U | S | I | C | | R | E | G | A | T | T | A |
| O | | O | | L | | E | | I | | T | | C |
| N | E | P | T | U | N | E | | C | H | A | L | K |
| I | | | | D | | N | | | | G | | |
| C | O | S | S | E | T | | C | L | I | E | N | T |
| | | L | | | | W | | E | | | | O |
| S | T | E | R | N | | R | E | A | C | T | O | R |
| A | | N | | O | | E | | R | | A | | M |
| H | I | D | E | O | U | T | | N | O | B | L | E |
| I | | E | | S | | C | | E | | L | | N |
| B | O | R | N | E | | H | A | R | D | E | S | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3257**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | 3 | | | 5 |
| | 3 | | 7 | | | | 4 | |
| | | 5 | | 1 | | | | 6 |
| | 2 | 7 | | | 1 | | | |
| 5 | | | | | | | | 3 |
| | | | 8 | | | 1 | 6 | |
| 9 | | | | 4 | | 8 | | |
| | 7 | | | | 9 | | 5 | |
| 1 | | | 6 | | | | 3 | |

**Solution-3256**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 5 | 1 | 2 | 6 | 8 | 7 | 4 |
| 4 | 7 | 6 | 8 | 5 | 9 | 3 | 1 | 2 |
| 8 | 1 | 2 | 7 | 3 | 4 | 6 | 5 | 9 |
| 2 | 6 | 7 | 4 | 8 | 1 | 5 | 9 | 3 |
| 9 | 5 | 4 | 6 | 7 | 3 | 2 | 8 | 1 |
| 1 | 3 | 8 | 5 | 9 | 2 | 7 | 4 | 6 |
| 6 | 8 | 9 | 3 | 4 | 5 | 1 | 2 | 7 |
| 5 | 4 | 1 | 2 | 6 | 7 | 9 | 3 | 8 |
| 7 | 2 | 3 | 9 | 1 | 8 | 4 | 6 | 5 |










